# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-11-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-থা অসিগী ১৮ দা এন.দি.এ. লেজিসলেচরশিংগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা খরা থবক্তা ওন্থোক্লবনিনা মীয়ামদা অপনবা পীগদবা অমসুং শান্তি হনজিলহল্লকপদা অয়েৎপা পীগদবা হিংশা য়াওবা খোঙজংশিং চথুবীদনবা হোৎনমীন্নসি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-জিরিবাম মীহাৎতা চেন্নবশিং ফাননবা পাক্তকনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি। লৈমখোং আর্মি কেম্পতা থবক শুবা মীওই অমা মাঙখিবা অদুগী মতাংদা সেকমাই পুলিসতা জিরো এফ.আহ্.আর. লৌখৎলে অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা মহাকপু ফংনবা হোৎনরি।

শ্রী বিরেননা হায়-এন.আই.এনা জিরিবাম মীহাৎকা মরী লৈননা কেস অমা অমুক হন্না রেজিস্তার তৌরে। মহাকা হায়-সরকার অসি হৌজিক তুমিন্না ফমদুনা লৈথোকপা নত্তে। সি.আর.পি.এফ. অমসুং বি.এস.এফ চিংনবা মফমশিংদা থমদুনা শান্তি হনজিলহল্লকবা হোৎনরি। কোকোমি য়াওনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয়গী খোঙজংশিং হন্দোকপীদুনা স্কুল-কলেজ অমদি ওফিস য়াওনা অতৈ থবক থৌরমশিং নীংথিনা চথুবা য়ানবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা থা অসিগী ২২ দা লংথাবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা ফাখিবা অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমহৌরে।

মনিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লমদেংগী ফার্ম হাউস অমদগী মনিপুর পুলিসনা মীওই অদু ফংবা

ঙমখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই মরিসু ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইব এম.এম. পিষ্টোল, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থারতি টু এম.এম. পিষ্টোল অমা অমসুং পোইন্ট থারটিটু এম.এম. পিষ্টোলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরা ফাগৎপা ঙমখি। মসিগী মখা তারকপদা মনিপুর পুলিসনা মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি অমসুং রিভোলবর অমা, করবাইনগী মেগজিন অনি, মেগজিন অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টোইন্তি টু রাইফল অমা, দিটোনেটর মরি, সপোন কেপ ৮ দা হাপ্লম্বা হেরোইন অমদি নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমলে।

নেসনেল হায়ৱে টুদা তঙাইফদনা চংবা গাড়ি ৩৬৭ অশোয় অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

**পুলিস (এল)ঃ** লৈমখোং আর্মি কেম্পতা থবক শুবা চংখিবা মীওই অমা থিবা খঙদবা অদুগী মতাংদা লান্মীনা পাক্তকনা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মীওই অসি লৈমখোং মিলিটরি ষ্টেসনদা মিলিটরি ইঞ্জিনিয়ারিং সার্ভির্সেসতা কনটেক্তো থবক শুবনি। মহাক থা অসিগী ২৫ দা ময়ুমদা হল্লক্ত্রে হায়না মহাক্কী ইমুং মনুংনা পাউ পীরকখিবনি। মদুগী মতুং তারকপদা লান্মীনা সি.সি.টি.ভি. ফুটেজগী মতেংনা থিবগী থবক চথরক্লি। হৌজিক ফাওবদা মীওই অসি অমসুং মহাকা তোংখিবা চাকা অনি পানবা গাড়ি থিবা খঙদনা লৈরি। থিবা হুম্বগী থবক অদু হেন্না পাকথোক চাউথোকপগা লোয়ননা থংনবা খুলশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

**স্কুল (এল)ঃ** মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

এদুকেসন (এস) কী দাইরেক্তর-এল. নন্দাকুমার সিংহনা থোকপা

চেরোল অমদা হায়-সরকার, এদেদ, প্রাইবেট, সেন্ট্রেল স্কুল য়াওনা মহৈ তম্ফমশঙশিং ঙসিদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম অমা থোক্লিবা ছুতি ওইরগনি।

অমরোমদা, হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সরকার, এদেদ কলেজশিং অমদি ষ্টেট য়ুনিভরসিতি য়াওনা মহৈ লোইশঙশিং ঙসিদগী হৌরগা মখা তাবা হুকুম থোক্লিবা ফাওবা ছুতি ওইরগনি।

অমরোমদা, তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমসুং জিরিবামদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাহফলসনা শিনদুনা সংবিধানগী নুমিৎ তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী সনজিবানিদা নহাশিংগী ওইবা স্কিল দিবলপমেন্ট থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা, নহা ১০০ রোম শরুক য়াখি। নুমিৎ অসি তেংনৌপল জিলাগী ঐচ. মোংজাং খুলদসু লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি। মদুদা, ভারতকী সংবিধানগী মরুওইবশিং মীয়ামদা খঙহনখি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী নহাশিংগী ওইবা প্রি-রিক্রুইটমেন্ট ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা সংসদ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, নহাশিংবু সেক্যুরিতি ফোর্সতা করমা চংগদগে হায়বসিনি।

**পিএমঃ** লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা শিংনরকপা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়বা ৱাফম প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না ফোংদোরক্লি।

সংবিধান নুমিৎকা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা

ৰা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-ভারতনা গনন্ত্রগী য়ামা মরুওইবা কুম্দৌ পাঙথোকচরবসু মীয়ামনা নুমিৎ অসি মুন্বাই তেরর এট্রেক চৎখিবা কুমওন নুমিৎনি হায়বসি কাউরোইদবনি। এট্রেক অদুদা লৈখিদ্রবা মীয়ামগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতকী সংবিধাননা মীয়ামগী অপান্বা অদু ফংহন্দুনা লাক্লি অমদি মীয়ামবু লমজিং লমতাকপীরি।

শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি ৭৫ অসিদা শিংনবা কয়া লাক্লবসু সংবিধানগী মতেংনা মদুবু মায়োকদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবা সরকার অসিনা অহেনবা মীৎয়েং চংলি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মমাংদা অহল ওইরবশিংনা মখোয়গী পেন্সন লৌনবগীদমক বেঙ্কতা চৎতুনা মখোয় হিংলি হায়বা উৎপগী মথৌ তারম্মী। অদুমওইনমক, দিজিটেল লাইফ সার্টিফিকেট শিজিন্নবদগী হৌজিক্তি বেঙ্কতা চৎত্রবসু য়ারে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

স্কুল কলেজ, য়ুনিভরসিতিশিং মতম কক্তনা ছুতি থাদোকখিবা, কাংপোকপীদা মনিপুর পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফনা পোপী পান্বী য়ানথৎখিবা অমদি জিরি-মীহাৎ-নুপী অঙাং তমথিনা হাৎপদা চেন্নবশিং অয়ান্বনা মশক খঙলে ফানবা কোইথি থিরি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৰাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

লৈমখোং আর্মি কেম্পতা থবক শুবা নুপা অমা থিবা খঙদনা লৈরি। মীয়ামনা লৈমখোং তাবা লন্বী থিংজিনবগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি মোরনিং বেলদসু ফোংলি।

মনিপুর লানদা মপানগী খুৎ য়াওরে, মথংদা মিজোরাম য়ৌশিল্লক্তুনা নোর্থ ইষ্ট পুন্বদা থোক্কদৌরে হায়বা এন.আই.এগী রিপোর্ট, পাউ অসিগী বোক্স

আইটেমদা-এন.আই.এনা মনিপুরদা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেস ৮, গুৱাহাতিদা ট্রান্সফর তৌবদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে। জিরিবামগী কেস অহুম এন.আই.এনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দিপোদা থাউ কংলে, মীয়াম পেট্রোল ফংদবগী অৱাবা মায়োকবা হৌরগনি হায়বা সনা লৈবাক্তা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা গাড়ি ফাওনখিদবা নুমিৎ তরুকনি শুরে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদগী লাঞ্জেন্নদুনা কার্বি আংলোংদা লৈরিবা কুকিশিং তান্থোরক্লে হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কোকোমিনা সরকারগী লোইশঙশিং থিংজিনবগী খোঙজং লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফনা কাংপোকপীদা থারম্বা পোপীশিং য়াম্থৎখিবগী পাউ মনিপুরদা মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ-মখান ভিলেজ সাইতু দিভিজনগী লম একর ১২ দা পাক শন্না থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎখ্রে, এফ.আই.আর. লৌখৎখ্রে হায়বা পাউ অমা ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ষ্টেটকী থাক্তা কন্সটিটু্যসন ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউশিংদসু ফোংবা থেংনরে।

ফাজিনখিবা মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি থাদোক্তবগী মায়োক্তা টিদিম বন্দ হৌখ্রে হায়বা অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোংলি। পাউ অসি মনিপুর ন্যুজতসু ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল

জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ৩০০ পন্দুনা লৈরে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-মীওই অমা মাঙখিবদগী ইম্ফালদা চরাংনবা থোক্লে হায়না ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিন এক্সপ্রেসতা-মনিপুরদা ঈরাং লৈবদগী সুপ্রিম কোর্টনা এন.আই.এগী কেস ৮ গুৱাহাতিদা ট্রান্সফর তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।